হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুলাই ২৮, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ১২৫শুবা মশীং

# মিষ্টর জোরামথাঙ্গা

## ওইরোইদবা মঙ মঙদুনা খূৎ থিংজিল্লক্কনু

মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙ্গা নহাক মণিপুরগী মীয়াম্না নশক য়াম্না মুন্না খঙই। মতম অমদা নহাক মিজোরামবু ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদগী তোখাইনা শেৎতোক্লগা মনীংতম্বা মিজোরাম অমগী মঙলান শাগৎলম্বা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) কী লান্মী অমা ওইরম্বনি। এম এন এফকী শক্নাইরবা, মকোক থোংবা লুচিংবা লালদেঙ্গাগী মতুং ইল্লম্বনি। মঙলানসি মঙফাওনদুনা নখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং ফংলগনি হায়দুনা ফেব্রুৱারী ২৮, ১৯৬৬তা এম এন এফ শাফোংলকখিবনি। অদুবু ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা বৃটিশনা থাদোক্লম্বদগী য়াম্না ৱানা নিংথৌ পানবা লৈবাকশিং চোইখোম খোমজিল্লগা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইজরকপা ঙমখিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মহাক্কী টেরিটোরিবু হীরম অমত্তদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়দুনা য়োংনা চু পায়বদৌনা চেৎনা পায়খিবদগী নখোয় এম এন এফনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা করিসু তৌবা ঙমখিদবনি। মিজোরাম মীয়াম্বু নীংতমহনগনি হায়খিবা নখোয়গী লাঞ্জং চহী ২০দগী হেন্না চৎখিদবনি। কুমজা ১৯৮৬তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা পিছ একোর্দ খূৎয়েক পীনখিবনি। অদুগা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মশেক-মঙাল নাইবা লালহৌলূপ অমা ওইরম্লগা হৌজিক্না এম এন এফনা পোলিটিকেল পার্টিদা ওন্থরক্লগা নখোয়গী মিজোরামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎতুনা জো মীয়াম্বু নুংঙাইহনগনি হায়বনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান হৌরম্লগা তেথদুনা পীছ একোর্দনা য়োমশিল্লগা লৈরক্লিবসি নরিল পান্দে হায়বা নত্তে। নখোয়না তাল্লম্বা নীংতম্বদুদি শুংফং ফংলরোই খঙলদুনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টকী ঈচেলদা তিল্লক্লবনিনা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসননা পীবা প্রোভিজনশিংদু ঙাক্না চৎলু হায়বনি। হৌজিক মে ৩, ২০২৩দগী থোরক্লিবা মণিপুরগী লানসিদা নখোয়গা মান্নবা 'জো' ফুরুপকী মীওইশিংনা কুকিশিংদা নপশিল্লগা লান পাংলি অমসুং য়াওরি হায়বসিসু মণিপুরগী মীয়াম্না খঙই। থোরক্লিবা লান অসিগী মনুংদা য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদুনা উৎ ওলহল্লকপা, লন-থুম কয়া অমাঙ-অতা থোরকপা, লাইনিংগী মফম কয়া থুগাই য়ানখাইরকপনা তংদু লৈতাদবা থোকহল্লে। তমথীরবা থৌদোকশিং অসিগী মথক্তা হিংচা য়াইতম্বগী শক্লোন লৌদুনা অউ-অউবশিং ওনশিন-ওনশিন্নদুনা হাত্তোক্লরক্লে হায়বনি। মসিদা লান শোক্লরিবা মশেল নাকল অমগীনা য়াম্না শোক্লে অদুগা নাকল অমগীনা খজিক্তং শোক্লে হায়বগী ৱাফম নত্তে। লোয়নমক শোক্লরবনিনা পূন্নমক্তা মাঙজবা ওইরকই। মরম অসিনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা লান অসি খামদুনা লেপহল্লু হায়বনি। লান খাম্মু হায়রে হায়দুনা নখোয়গী কুকি অমসুং জো ফুরুপকী খূৎলায় পায়বা খুজোক অমা কিবদগী হায়রকপা নত্তে। অদুগা নখোয় নশানা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপনি, নখোয়গী নপা-নপুশিংগী লমদা লৈজরকপনি হায়বনচিংবা ফোঙদোরক্তুনা অরানবা, শেমজিন-শাজিনবা পুৱারীশিং পুথোরক্লিবা অসিদগী লান খামদুনা লেপহল্লু হায়বগী দিমান্দদা 'এন আর সী চৎনহল্লু' হায়বা'মসু য়াওশিল্লক্লিবসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খঙননবা হান্না হোৎনখো। তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসনদি থমখো, অদুঙৈ কুমজা ২০০১দা 'ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট' হাপচিল্লকখিবগী হাক্তক্তা মপাঙ্গল কল্লবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খংদুনা লৌথোকখিবদু কাউনু। চহী লিশীং ৩ হেল্লবা মণিপুরগী পুৱারীদা লমফৈ চৎহন্নবা অমসুং থুপচিন্নবা হোৎনরকপা নতিক নত্তে। নুমিৎ থাগী খোঙচৎ কায়রক্তুনা নুমিৎনা মনিংলোমদগী থোরক্লবসু মণিপুরগী ঙমখৈগী শক্তম কায়বা হায়বদুদি ওইথোক্লরোই হায়বসি মিষ্টর জোরামথাঙ্গানা খঙজিনবা কান্নগনি।

# পুৱারীগী খোঙচৎ কায়রে, তাইওন্নরে মণিপুর

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মণিপুরদা মে ৩, ২০২৩দগী হৌনা থোক্লকখিবা কুকি মিলিটেন্ট অমদি ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা কুকিশিংগী তোঙানবা হোমলেন্দ নৎত্রগা সিপরেট এরেঞ্জমেন্টকী দিমান্দদা তাইনগদৌবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা তাইনদদুনা নাশিখোং ওইরিবা মীতৈ ফুরুপ্তা ওইনা তাইনরকপদগী মণিপুরদা পুৱারীগী খোঙচৎ কায়রে অমসুং ঈং-তপ্পগী ফীভম তাইওন্নরে। মশীং থিঙমদ্রবা মরমশিং লৈবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী লানহৌসিনা মীতৈশিংদা নত্তনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমকপু হা-কার লাওনা ৱাহল্লে অমসুং মীহাৎ-মীপূনশিং থোকহল্লে। লমদমসিদা লৈ হায়বগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। লানদা হৈ-শিংবা অমসুং থৌনা লৈবা মীতৈশিং, লুচিংবা য়াওদবদগী লানওং চুম্না চঙশিনবগী কাঙলোন ৱাৎপনা, নারোন্দা লান্দাবা হৈবা, ফোংনা থোক্লক্তুনা লান্থেংনবদি ঙমদবা, মীরোৎ কুকি (কুকি মিলিটেন্ট) অমদি মীচেন কুকি (চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্ট) শিংগী মখূৎতা মীতৈশিং খুদোংথীবা কয়ামরুম নংনরে অমসুং মীতৈশিং খা চিক্তুনা খাঙনরে। থৌদৌ পূন্নমকসিগী চপ চাবা তেকচাকশিংদি ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক অনীনা পূন্না পুমিন্নফম থোকই। হন্দক্কী লানসিগী মরমদা মীতৈ ফুরুপকী ওইনদি তেকচাক পুবদি লায়রদুনা কুকি কাঙলূপ, মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদগী ক্ষেতিপুরন ওইনা ফাওবা তানফম থোকপ্রা খল্লি। লানসি লোইরগা শোয়দনসু তাল্লকখিবা য়াই। য়ু এন য়ৌনা অচুম-অরানশিং পূন্নমক্কী তেকচাক পুগদবশিং কনা কনানা ওইফম থোকই হায়বদু নৈনরকখিনি। অদুবু লুরিবদি, লানওং হৈরবনি খঞ্জরিবা কুকি কাঙবুশিংনা য়ু এনদা হৌখিবা জুনগী তাং ২৯দা য়ু এননা মখোয়গী মীচংদা লেপ্পীরক্লবগী খক খল্লগা শেমজিন-শাজিনবা ৱাহৈশিং ঙাক্তা ইবা ৱাকৎচে অমা থাজিনখিবসিগী অচৌবা খুদোংথীবা অমদি মীতৈশিংনা শোয়দনা নংলনি। মীতৈশিংনা লান লোইরগা তৌগনি ঙাইরিঙৈদা কুকি কাঙলূপ্না থাখিবা ৱাকৎচেসি য়ু এননা খন্ননবগীদমক হান্না লৌখৎলক্লবদি, ৱাকৎচেসিগী অচুম-চুমদগী মরমদা য়ু এননা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হংলকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। মতাংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কনাগীদমক খল্লগা অমসুং কনাগী মীচংদা লেপ্পগা পাউখুমদু পীগদৌরি? সিনি লুই হায়রিবসি। লুরিবসিগী মরমশিংদু মখাদা খজিক্তংগা হেন্না মচা খায়না নৈনমিন্নসি।

ইন্দিয়া লৈঙাকসি হন্দক্কী কুকিশিংনা মীতৈ ফুরুপ্তা লান্দাবা হেক হৌরকপদগী হৌনা কুকিশিংগী মীচংদা হান্ননা চঙদুনা লৈরম্বা মাল্লি হায়বসি ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পীবা সিগনেল কয়ামরুমদগী মীতৈশিংনা হান্না মাঙজৌননা চিংনদুনা লাকখ্রবনি। অদুম ওইনমক মীতৈশিংনা খল্লম্বদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পংতৌ তৌজরবসু প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি মশানদি লানসিগী মরমদা শুপ্পগী ৱাহৈ মচেৎ অমা ফাওবা ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না শুপ্পগী কুকিশিংদা খক্তা তোংশিন্দুনা মীতৈশিংবু থোইদোক-হেন্দোক্না কা হেন্নমক মাঙহন-তাকহন্নবগী থবক তৌরক্তবসু য়াই হায়না মণিপুরগী মীতৈশিংনা খল্লম্মী। অদুবু মরকসিদা, কুকিশিংনা লান্দারকপদগী ঙাকথোক্লবা মীতৈশিংনা লান কন্না থেংনরিঙৈ হৌখিবা মে ৪দা নুপীশিংগী ইকায়খুম্নববু খোঙ্গোয়নবগী থৌদৌ অমখক উখোংশাংদা থোকখিবসিনা মীতৈশিংদা পুমওন ওনবা, অচৌবা অওনবা অমা লাকহনখি। থৌদৌসিগী ভিদিও ক্লিপতা য়ূম্ফম ওইরগা লান হৌখিবা মতুং নুমিৎ ৭৭নি শুবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিজিনা থৌদৌদুদা চেন্নবা খুদিংমক লেম্না থারোইদবনি হায়বগী ৱাফম লাউথোক্লকখি। ইকায়খুম্নজরবা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপীখিবা ৱাফম খুদিংমক্তু অচুম্বনি। তৌইগুম্বসুং, ফোঙদোকখিবা খূৎফোঙদোক্তুগী মতাং অমসুং খূৎফোঙদোক্তুগী ৱাহন্থোক নৈনবদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা মীতৈশিংগী পোজিসন চাম্মদা চাম্মা হেন্না লুশিল্লক্লে হায়বসি মীতৈশিংনা খঙলকপনি। ইন্দিয়া লৈঙাকসি হৌজিক্তি ময়েক য়াম্না শেংলে। ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকিশিংগীদমক চপ চানা লেপ্পীরি। মীতৈশিংনা হৌজিক ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাকসিদা করি-করম্বা অয়েকপা থবকশিং তৌখিবা অমসুং কুকি কাঙলূপনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পেন্নবা অমসুং য়ানীংনবা করি করম্বা অহকপা থৌদৌশিং উৎখিবা হায়বনচিংবসি হংবা য়াবা ৱাহংশিং ঙাক্তনি। ফীভমসিদা মীতৈশিংগী করি পাম্বৈ লৈরি? কুকিশিংগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অফবা মরীশিং থম্নে। অদুম ওইনমক, মীতৈ অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কদি অফবা মরী থম্নবদি লায়রদুনা চুম্না লম্বীদা থেংনবা ফাওবদা কৌননীংদবনা থৈদোক্নরগা চৎনবগী ফীভমদু ফাওবা য়ৌরি। পূন্নমকসি য়েংলুরগা করিসু নত্তবা কুকিশিংনা ঙসি সি য়ৌনা মঙক হাইগৎতুনা মীতৈশিংবু শীংনবা ঙম্লিবনি। তাঞ্জাসিদা মীতৈশিংগা কুকিশিংগগী মরক্তনা হীরম কয়ামুক্তা খেন্নবশিংসু লৈরক্লি। মীতৈশিংদি তশেংনা থৌনা শাথীনা ফৈ তৌইগুম্বসুং লুচিংবীনবা মীশকশিংদি অয়াম্বা মফমশিংদা অসুক্কী মতিক ৱাৎলি। মীতৈ খুদিংমক লুচিংবা ঙাক্তগুম্না মশানা মশাবু অয়াম্বা মতমদা লৌজে। মীতৈশিংনা অমনা ঙাঙবদা অমনা পাক থাজনদে। ফীভমসিননি থৌনা ফৈ হায়নরিবা মীতৈশিংনা মখা থাবনি খল্লিবা কুকিশিংবু লান্থেংনদুনা খুদক্তা হেক্তা লাকশিনবা পাক হেক ঙমদ্রিবসি।

অদুবু হন্দক্কী লানসিদা মীতৈ ফুরুপ্না কৈদৌঙৈদা খক লেম্না হল্লক্কনি হায়বসিমদি থাজদে। মিজোরামগী মিজো নেসনল ফ্রন্ট লৈঙাক্কী লুচিংবা, মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙ্গামক্লসু ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক্না য়াবীরবনি মতাগুম ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ওনশিন্দুনা ওইনবগী মতৌগুম ঙাঙ শক্লিবা পূন্নমকসি মণিপুরগী মীতৈ ফুরুপ্না ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। মণিপুর হায়বা লৈবাকসি মতম অমদা ইন্দিয়া পূম্ববু লোই চনশিন্দুনা থল্লম্বা অদুগুম্বা বৃটিশ লৈঙাক্তুনা ইন্দিয়াদগী হান্না মনীং তমহল্লম্লবা লৈবাকনি। নোংমৈ বোম-তোপশিংশুনা পায়বা মশীং থিঙমদ্রবা বৃটিশ লান্মীশিংনা শুপ্পগী থাঙ-চুঙ্গোই খক্তমক পায়বা মীতৈ লান্মী খুজোক অমখকপু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা নুমীৎ মশীং খঙদনা চঙখ্রিবনি। পাওনা ব্রজবাসিবু বৃটিশশিংনা কয়াম ৱাংবা থাক্তা সেল্যুট পীখিবা পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মতম কুইনা লোই মপু ওইদুনা ইন্দিয়াদা পাল্লম্বা বৃটিশ কাঙবুশিংগী ফিরিঙ্গি লৌশিং ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না মমি শামিদা ওইরসু এপ্লাই তৌনবা মতম চূপ্পদা হোৎনৈ হায়বসিসু ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংমক্না শোয়দনা খঙনরমগদবা ৱাফমনি। মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রগী হাক্তক্তা ফিরিঙ্গি লৌশিং শীজিন্নদুনা কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুরবু লোইলম ওইনা লৌশিন্দুনা নমদুনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চলহনখিবনি। মতমদুদগী হৌনা লাক্ল-ফানা ঙল্লক্ত্রবা মীতৈ ফুরুপ্পু ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাকসিনা কদাই ফাওবা য়ৌনা মথম্মোয় শেংনা নুংশিরমগদৌরি? ৱাফমসি লৈবননি মণিপুরগী হন্দক থোক্লিবা লানসিদা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসননা য়াদ্রবসু ম্যান্মারদগী মাইগ্রেন্ট ওইনা চেনশিল্লকখিবা চিন-কুকিশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তোংশিল্লি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনবদা হেন্না চানহল্লিবসি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না থৌদৌসি ফনা কন্না চথরবসু, লাইওইখ্রবা মীতৈ ইপা-ইপুশিংগী মীংচৎ ময়েং তাহন্দনা, শিবা চঙবা অনীগী লংদাইদা মীতৈ ফুরুপ্না লানফম খুদিংদা অমুক্তা ফাওবা মায় ওল্লগা চেল্লক্তনা লান্থেংনরকই হায়বদুদি কুকি মিলিটেন্টশিং অমদি হন্দক্তা ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা চিন কুকিশিংসিগী মফমদা হন্দক্কী তানফমসিদদি শোয়দনা খঙহল্লগনি। হন্দক্কী মতাংসি, মণিপুরগী মীতৈশিংগীদমক্তি তশেংনা লাইবক য়াম্না থীবা অমসুং মায় লৈদুনা চেনবা য়াররোইদৌবা তাঞ্জা অমা হায়বদু ইশেং হেক শেংনা হায়রবদা ওইরবনি।

তশেংনা হায়রগদি হন্দক মণিপুরদা কুকিশিংনা লাঞ্জদবা মীতৈ ফুরুপ্তা ওনশিন্দুনা লান দাশিল্লকপগী থৌদৌসিদা নহানমখৈ অসুক কুইনা মূক হাজিন্দুনা অমসুং পাবা থোক্তনা ৱানা লৈরক্লবা মীতৈশিংগী পুৱারীগী লমায় মতেক অমা অসুক্কী মতিক ময়েক শেংনা অমসুং লায়না পাবা ঙমহল্লক্লে। থৌদৌসি তাইবঙ শেন্বীবা মপু মাগী থৌজালনি খঞ্জরিবনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, ৱাখল্লোনসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর ওইবীরিবা অনীমক্না হন্দক মণিপুরদা থোক্লিবা চাওরবা লাঞ্জাওসিগী মরমদা নুংদা, চেৎনা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা, অচেৎপা ফিরেপকী মমি তাবা থৌদৌশিং খরা মথং-মথং মমি শামি ওইনা উখোক্লকপা হৌরকপদগী ফাওনরকপনি। ভাইরেল চৎখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক্তুগী থৌদৌদুবুদি মরিপুরদা লৈরিবা মীয়াম ঐখোয়নসু অসুক্কী মতিক য়ানীংদবা পোকই। তৌইগুম্বসুং ইকায়খুম্নজরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রীমোদিজিনা মণিপুরগী লাঞ্জাওসিগী মরমদা নহানমখৈ অমুক্তা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোকপীবা তৌরক্ত্রগা থম্মোয়নুংদা ফুমদুনা লৈরম্বা মৈগী চীং অমা হন্দক খক্তা ফোঙদোকপীরকপগী থৌদৌসিনা মীচম-মীয়াম ঐখোয়দি অসুক্কী মতিক অঙকপনা থনহল্লে। ●

# 'ওনরেবল পি এম মোদি কুকিশিংগী চিরোলগী লাংদা থুখ্রবরা?'

- কোংখাম বীরকুমার -

মণিপুরদা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী খঙহৌদনা/থাজদনা হৌরকখিবা ঈরাংগী মরমদা খঙদবা মণিপুরী অমত্তা লৈরম্লরোই। মসি নৌহৌননা নীংশিংলুবদা কনাসু তানীংলরোই। অদুবু ঐনা ঙসি থমজনীংলিবা হীরম অসিগী মতাংদদি খজিক্তং মরী লৈনবনা নীংশিংদবা য়াদবনা মরম ওইবনা খরদং থমজরি।

হৌখিবা মে ৩দা মণিপুরদা অপূনবা ত্রাইবেল বোদিশিংনা মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চন্নবা দিমান্দগী মায়োক্তা রেল্লি অমা চৎখি। সী সী পুরদসু অসিগুম্বা রেল্লি অমা কুকিশিংনা চৎখি। পিছ রেল্লি অদু চৎপা হৌরকপদা সী সী পুরগা তাইনবা খুল, তোর্বুংদা চঙশিল্লক্তুনা মরম ইচা চাদনা য়ূম কয়া পাক্তক্লনা মৈ থাবা হৌরকখি। হায়রিবা অসি খুদক্তা সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা পাক শন্না ভাইরেল ওইরকখি। মদুদগী খোইশাওনরবা মীতৈশিংনা তম্পাক্তা লৈবা কুকিশিংগী য়ূম মৈ থাবা অমুক হৌরকখি। পিছ রেল্লিদবু মীগী য়ূম মৈ থাবা, ভাইওলেন্স তৌবা হৌনবরা? মসিবু পিছকী মিনীংলা? মখোয়বু পিছকী ৱাহন্থোক খঙদ্রবরা?

মে ৩গী থাজদনা কুকিশিংনা হৌরকখিবা ঈরাং মরক অদুদা 'তোকঙা' অমা শন্দোকখি। মদুদি সী সী পুরদা থবক তৌজবী মীতৈ নুপী নর্স অমদি ডাক্টরশিং কুকিশিংনা গেঙ রেপ তৌবিরে হায়না। মসিগী তোকঙা অসিনা অচুম্বা ওইরবোই নীংদুনা মীতৈশিংগী থম্মোয়দা খোইশাওনবা, পেন্দবা কয়া লৈখি। মতুংদদি হায়রিবা তোকঙা অসি থাজবীগনু, অসিগুম্বা থৌদোক থোকখিবা লৈতে হায়না মণিপুর লৈঙাক্লো শেংদোরকখি। অদুবু হায়রিবা শেংদোক ৱারোল অসিমক্তি খরা থেংমনখ্রবা মাল্লে খল্লি। ঐনা মসি অমুক নৌনা নীংশিংজবগী মরমদি মে ৩দা শন্দোরক্লিবা তোকঙা অসিনা মরম ওইরগা খোইশাওনরবা মীতৈশিংগী থম্মোয়দা য়াম্না পেন্নখিদে, লমন খুম্নিংবগী ইহুল ফাওহনখি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি, কুকি নুপী ২ (মখোয়নদি ৩নি হায়না মরাল শী) দা চথুখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসি মে ৪দা থোকখিবা থৌদোকনি। হান্নসু ভিদিও অসি উনখ্রবনি। অদুবু করি মরমদগী হায়রিবা ভিদিও অসি ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট ফমগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ভিদিও অসি ভাইরেল ওইহল্লগা ওনরেবল পি এম য়ৌহল্লিবনো? মসিসু মখোয়গী লাল্লোংগী মনুং চনবনি খন্দবা ঙমদে।

তোকঙাগী পাউ অসিনা য়াম্না কল্লিঙৈ, অচুম অরান খঙদ্রিঙৈ, লমন খুম্নিংবগী ইহুলনা হেনমনখিবনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসি থোকখিবা ওইরম্বসু য়াই। মসি হায়জরিবগী মরমদি ভাইরেল ভিদিও অদুদা থবক অদুবু পাঙথোক্লিবা মীওই অদুনা 'নোইনা তৌবদো নুংঙাইব্রা' হায়না হায়।

ঐনা হায়জরিবা অসি তৌহন্নীংদবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিংদুগী মীচংদা হায়বা নৎচদে। মখোয়দি মখোয়না তৌরুবা, তৌহৈদবা থবক অদুগী চৈরাক ফংবদা কনানসু কনবা ঙম্লোই।

কুকিশিংনা মে ৩দা চৎখিবা রেল্লি অদু মৈতৈশিং এস টি লিষ্টতা চলহনবা য়ারোই হায়বনি অদু লোইনা তোকখ্রগা হৌজিক্না সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনদা করিগী ওনখ্রিবা, য়াম্না খন্থনীংঙাই ওই।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি, লান হায়বসে তৌনরবদি অঙম অঙম্বা হাৎনগনি। অঙম অঙম্বা মাঙহন তাকহনবা হৌনশানি।

মে ৩দা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা করি তৌখি, করি লানখি হায়বদি করিসু থিগত্তনা তাং ৪দা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মরমদা মীতৈশিংবু মালেমগী লৈবাক পূম্বদা য়োনখি, ইকায় ফিরুক খুমহনখি। কুকি নুপী ২বু ফি থোংদনা কোইপু পুরগা রেপ তৌখি হায়খি। অদুবু রেপ তৌবদি লৈখিদে। মসিনা তাক্লিবদি ওনরেবল পি এমনা থিজিনবা ৱাৎলি হায়বসিনি। কুকিশিংনা করি তৌরুবদগী মীতৈশিংনা মসি তৌরক্লিবনো হায়বসে খজিক্তং খন্থবিরগা থিগৎপীরম্লবদি ফগদবনি।

হৌজিক কুকিশিংগী চিরোলগী লাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক থুরে হায়বসে সুম সুম ময়েক শেংলকপগুম তৌরি।

ঙসি ফাওবদা কুকিশিংনা ফোংনা তৌরিবা অরানবশিং হায়বদি সুগী রুল থুগাইদুনা মীচম মীয়ামদা নোংমতা কাংদনা নোংমৈ কাপশিল্লিবা, ফোরেন্নরশিং য়াওশিন্দুনা শা-ষণ ফাওবা খাক্তনা হাৎলিবা, মীতৈশিং ফারগা মীহাৎ থীনা, মমিৎ খরা কোৎথোক, নোংমৈ চিন্দোন্দা মশাগী ফুম্নবা কোম তৌহল্লগা মঙক ককথৎলগা মঙফম মথক্তা মকোক অদু খিল্লগা থম্বা, হাত্তোক্লবা মশাদু শম্বলদা য়ান্দুনা থম্বা, চহী ৮০ শুরবী ভেটরেন নুপী অমবু য়ূম মনুংদা ছো লোনশিল্লগা হিংনা হিংনা মৈ থাবিখিবা, অসুক তমথীরবা থৌদোকশিং চথুখিবা অসিদনা করিসু খঙশিন্নদ্রগা ভিদিও অমা ভাইরেল ওইবদনা করিগী অসুক শাওরিবা? চহী ৮০ শুরবী ইমা অদুদি নুপী নত্তবরা? চহী ২১ শুবতনা নুপীরা? মসিনা তাকপদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না থোক্লিবা লান অসিগী মরমদা থিজিন্দে হায়না খনখিরোইদ্রা? কুকিশিংগী চিরোলদা চৎলি হায়নখিরোইদ্রা?

মণিপুরীশিংনা মখোয়বু মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা ফুরুপ অমনা তমথীনা হাৎপদা য়েংবা ঙমদ্রদুনা চঙজফম পীখিবা, মফম মফম খুদিংদা শাইদাংদুনতা লৈরকপা, মখোয়না লৈরু-লৈরুবা মফম পূন্নমক্তা হান্নগী লৈরম্বা ফুরুপশিংদা ওনশিন্দুনা খৎনবা হৌবা, হৌনা খঙদবা কাঙলূপনি।

নহান ওনরেবল পি এমনা পার্লিয়ামেন্ট সেসন মমাঙদা ঙাঙখিবা ৱারোল অদুদা নুপীদা তৌহৈদবা থবক তৌবশিং চৈরাক পীগনি হায়খিবা মীকূপ অদুদা কুকিশিংদসু লোনা য়াদবা থবক তৌরবদি নখোয়সু চৈরাক পীগনি হায়বা ৱাহৈ মতেক অমত্তং হায়বীরম্লবদি মায়কৈ অনীমক্তা কয়া ফগদবা। অদুদি নত্তনা নাকল নাম্মদা তোংশিনবা মানবা ৱাঙাঙ অদুনা মৈতৈশিংদা য়াম্না চাওনা পেন্দবা লৈহল্লি।

অমরোমদা মণিপুর লৈঙাক্না অসি য়ৌনা লুরবা তাঞ্জা অসিদা এসেমব্লি সেসন কৌদুনা করি তৌরগা ঈরাং অসি নেমথহনগদগে খন্নবীয়ু হায়না মীয়াম্না হায়জবা অসিদা য়ানীংদ্রিবা করিগীনো? সিদগী হেন্না লুবা করম্বা পুংফম অমা অমুক ঙাইরিবনো? অদুঙৈ অৱা লান্দা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখিবগী মতুংদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদগী হেন্না কনবা করি লৈরিবগে? মরম অসিনা অথুবদা এসেমব্লি সেসন কৌদুনা করম্না ঈং-তপ্পা পুরক্কদগে হায়না খন্নবা মথৌ তাব্রা খল্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন থুগাইরিবা, দ্রগকী অচৌবা হৌরকফম ওইরিবা মীওইশিংগী মথক্তসু অকনবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খল্লি। নাকল অনীমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংবগী তঙাইফদবা লৈ।

কাঙলূপ অনীমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংদ্রবদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসি অরানবতা তৌবা কাঙলূপ অমগী ফেবরদা লৈ হায়না মীয়াম্না লৌনখিনি। মসিনা ওনরেবল পি এম কুকিশিংগী চিরোলদা চৎখ্রবরা হায়না চিংনহনগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১) **"খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **"য়ুরাংফম"** (২০১১) হানা মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৩) **"লম্বী অমদা"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?
৪) **"হে ইমা পোক্লফম লমদম ও/পলেম-পোকপী পলেম ও/য়েংঙমদেনে নঙগী ৱারবা নতৌ/উঙমদেনে নীংবা কায়রবা শক্তম/"** শৈরেং মতেক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?
৫) **"নোংথাঙনা মুৎখ্রবদা"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।